# মখোং শোমদ্রবদি মহৈ নিংথিনা লোকপা ঙমলোই "মাইবম গোপি মৈতৈ"



ইরমদম মণিপুরগী পুক্কে চোল্লবা কলাগী পোখোক কয়ানা মরাং কাইনা লৈদুনসু ঙসিদি ওইজ-ওইথক থিবা মশাগীদা খনবা মীওইশিংনা হেনখিবা পামদবা থোকহনিংদবা থৌদোক-ৱাথোক কয়া অমা থোক্লকপনা শৈথারি অশৈবা কয়ানা "পংলবা মচাশিংনা মীওইবগী মীনুংশি লৈনরক্তবনা, হে মনি পোকপী ইমা মণিপুর নঙনা কয়াগী মতিক ৱানা খাঙলিবা অসিগুম্বা অঙম-অঙম, শেৎ-শেত্তুনা চান্নরক্লবা মীওইবগী মীনুংশি লৈনরক্ত্রবা মতম অসিদা লাম্হেংনদুনা ইমা লৈবাক মণিপুরবু শক্তাক্লি ইরমদম মণিপুরগী কলানা মণিপুরগী চাওরবা মীংচৎ কয়া পুরক্তুনা অতোপ্পা মফম কয়াদা শক্তাক্লিবা অচংবা মীওই কয়াসু মায়োক্নরি ঙসিসু ইরমদম অসিগী চৈথেং কয়া ! লোয়ননা লৈঙাক অসিনসু লমদম অসিদদি অসিগুম্লবা লমদম অসিবু মালেমদা শক্তাকপদা অচৌবা মতেং পাংলিবা কলাকার কয়া অমসু ইরমদম অসিগী চৈথেং ফংলি। অদুবু, ঙসিসু লেপ্পা লৈত্তনা ইরমদম ইরৈবাক অসিগী মীংচৎ পুরকপা ঙম্বা কলাকার কয়া অমসু লেপ্পা লৈত্তনা চোংথোরক্লি তুংদসু লেপ্পা লৈত্তনা অদুমক থোরকখিগনি। অসিগুম্বা কখোল্লবা কলাগী লনমিশিংগী মনুংদা ইম্ফাল ইষ্টকী নহারুপ অৱাং লৈকায়দা লৈবা মাইবম গোপি মৈতৈ মীয়ামনা নুংশিবীদুনা গোপি ৱাই হায়নসু মীং গৌনবীবা অপোকপা মাইবম মৈরাবা অমদি অপোকপী মাইবম ওংবী ইবেমহল অনিগী মচানুপা ওইনা ১৯৯৮ গী মার্চ কী তারিক ১০ লৈবাকপোকপা নুমিত্তা পোকখিবা অসিসু লম অসিদা মায় পাক্লা খোঙদারক্লিবশিংগী মনুংদা অমা ওইরি।

অঙাংদি নিংথাদা খংই হায়দুনি। গোপিনা পিক্লিঙৈ মতমদা মহাক্লা তৌথোরকপা মওং মতৌ উরগা মশাগী চহি ১০ মপুং ফারকপা মতমদা অপোকপীনা মচাগী অপাম্বা অমা ওইরিবা ঈশৈ লম অসিদা মীয়াম্না শকখঙবা অমা ওইহন্দবা য়াদে হায়বা অসিন লাইনিং ওইদুনা অৱা-অনা কোংগাই মায়োক্লদুনা হোৎনরকখি। গোপিবু অপোকপীনা ঈশৈগী লমদা অহেনবা লৌশিং ফঙজনবীদমক ককচিং মুজিক কোলেজদা ওঝা ওইবা কোংবা ওংতোংবম লৈকায়দগী সিঐচ গানেশ্বরগী মনাক্তা চত্তুনা মুজিক কী লমদা মহৈ তানশিনজবা হৌরকখি। মসিগী মখা তারকপা ওইনা ওঝা জয়েন্ত কুমারদগী তমশিনবা য়াবা মহৈ তমশিনজখি।

ঈশৈগী লম অসিদা চহি ৩ ফাওবা মহৈ তম্বা ঙমখি। তুংদা অয়াংপালিদা লৈবা ওঝা রোসনদগী চহি ১গী গুইটর তম্লকখি।

অদুবু মানা তমজরবা তানশিজরবা মহৈদু শীজিন্নফম লৈত্রগদি কাংখা থাং তাদুনা তোকপা হায়বসি হৌনশানি অদুবু, গোপি গী লাইবক ফবনা মাগী লৈকায় অদুমক্তাদা লৈমিন্নবা মখুরাশিং থোকপা মণিপুরী ফিল্ম এক্টর অমনা ফিল্ম গা মরী লৈনবশিংগী মরক্তা পুশিনদুনা দেনসন সলামদগীসু ঈশৈ, মুজিক অমদি ইদিটিংগী লমদা অহেনবা মহৈ তানশিঞ্জবদগী মণিপুরী এল্বম খরদা শৈশকপা হৌরকখি।

## ঐচ রাজেস

গোপিনা ইহান হানবা ওইনা ২০১৩ দা আর কে বোবোসানা না শৈরেংবা মণিপুর ফিল্মগী এক্টর খাবা অমদি জে নিফরনা এক্ট তৌদুনা "লৈকায় ৱাংমা লানিংদবা, নঙগী শক্তম উরুবদগী "হায়না শৈহৌবা এল্বম ঈশৈ অমা মীয়ামদা খুদোল তম্বা ঙমখি। মসিগী মখা তারকপদা সনাথোই না শৈরেংবা শক্লাইরবী এক্টেস বিজু অমদি রোহিট লোয়ননা প্রেমজিৎ না শক্তম লাংবা "ঙাওরে ঙাওরে, নঙগী ৱাখলদা" হায়না শৈহৌবা এল্বম মথং-মথং পুথোকখি।

মসিদা নত্তনা মালংবানা শৈরেংবা "রাসি লৈবী নঙগী মীনোক্লা, মরৌ লৈবী নঙগী মীনোক্লা" হায়না শৈহৌবা ঈশৈশিংদা শৈশকপা অমা ওইনা মীয়াম্না শকখঙনবা হৌরকখি।

অশুম্না লম অসিদা মায় পাক্লা শৈশকপা অমা ওইনা খোঙদারক্লিবা গোপিনা হৌজিক-হৌজিক নৌনা পুথোক্লবগী শেম শারিবা মণিপুরী ফিচর ফিল্ম , "নানথবী" হায়না মীং থোনবা ফিল্ম অসিগী য়াইবী চনুনা শৈরেংবা " মীরাইবীরবা নুংশিবা" হায়না শৈহৌবা ঈশৈ অসিগী শৈশকপা অমা ওইরি।

তুংগী আশা চাওনা লৈরিবা গোপিসু ঙসিগী অঙম অঙম শেত্তুনা চান্নবশিংগী চৈথেংনা মহাক্কী থৌনা, চাওবা হেন্দনা মপুং-মরৈ ফাররোইদবা উপাল অমগুম খঞ্জদুনা নিংহন্নবা পোকচৈ।

অদুবু অপোকপী মমানা মতম পুম্নমক্তা মহাক্কী থৌনা হাপ্পীদুনা ঙসিফাওবা নিংহন্নবা লৈত্তনা মাংলোমদা খোঙ থাংজিনহল্লি। তশেংনা হায়রবদা লমদমসিদা কলা পামজবশিং, কলাকরশিংগী পুক্লিং য়াম্না নুংশিনিঙাই ওইরি।

অদুবু গোপিগীদি অপোকপীদা নত্তনা অপোকপা মপা লোয়ননা মচিন মনাওশিংনসু গোপিগী পুক্লিং থৌগৎপীরি। মখোয় ময়াম্না পীরিবা থৌনানা তুংদা ম্যুজিক ডাইরেক্টর অমা ওইদুনা মীয়ামগী শেবা তৌনিংবগী অপাম্বা লৈরিবা গোপিনা মহাক্কী পান্দম ফংবা নত্রগা ফংদবা হায়বদুদি মহাক্কী হোৎনজবগী মখা পোনলি হায়বা খংজে। অদুবু, মখোং নিংথিনা শোম্বীবা হায়বা অমদি তঙাই ফদবা লৈবনা মহাকপু লম অসিদা লমজিংবীরকখিবা চামৈলে বু মখোং শোম্বীরিবা মীশক অমনি নিংজদুনা ঙসি ফাওবা তুং ইনজরি। গোপিগী ৱাখল্লোনদি "মখোঙ শোম্বীনবা লৈত্তবদগী অফবা পাম্বী কয়া মহৈ লোকপা ঙমদনা অরেম্বা তাখিবা য়াওদবা নত্তে" হায়বসিনি।

অসিগুম্বা ৱাখল্লোন অসিনা মীওই কয়াদা থৌনা হাপ্পদা নত্তনা মখোঙ শোম্বীদ্রবা পাম্বী কয়াসু শোইদনা মখোং শোম্বীরক্কনি হায়না খল্লি।

লোইশিল্লকপদা গোপিনা মীমাং থোক্লা শৈশকপা, মীয়াম্না নুংশিবীদুনা শকখঙবীরকপা কয়া অসিবু উজরগা অপোকপী মমা-মপা অমদি মচিন-মনাওশিংনা মহাক্কীদমক ৱাজখিবা কয়া অদুগী মহৈ খরদং ওইরবসু চাবা ফঙজরে হায়না নুংঙাইজহৌখি । লোয়ননা পাউ-চে অসিগী মাইকৈদগী অমদি মীয়ামগী মীনুংশিদগী ফঙগে খন্না হোৎনরিবা পান্দম অদুবু মাঙফাওনবা ওইদুনা পুন্সি শাংনা মীয়ামগী শেবা তৌবদা চোকথবা লৈতবা ওইরসু হায়না য়াইফ মঙ্গল পীজরি।





# ষ্টৈটকী থাক্তা শান্নবগী পাউদম

## সব জুনিয়র অমদি মাষ্টর নেসনেল পাৱরল্ফিটিং চেম্পিয়ন্সিপতা শরুক য়াগদবা ষ্টৈটকী পাৱারল্ফিটিং টিম শেমখ্রে

ইম্ফাল,এপ্রিল ০৬ঃ

ইন্দিয়া পাৱরল্ফিটিং ফেদরেসনগী মীৎয়েং মখাদা মেগী তাং ২০ দগী ২৪ ফাওবা টামিল নাদুগী ভেলর দিষ্ট্রিক্টগী গুদিয়াথম রেলৱে ষ্টেসন রোদতা লৈবা কে এম জি কোলেজ ওফ আর্টস এন্দ সাইন্সতা পাঙথোক্কদৌরিবা সব জুনিয়র অমদি মাষ্টর নেসনেল(মেন্স এন্দ ৱুমেন) পাৱরল্ফিটিং চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৯ দা ষ্টেট অসিগী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়াগদবা ওল মণিপুর পাৱরল্ফিটিং এসোসিয়েসনগী শান্নরোই অমদি ওফিসিয়েলশিংগী মিং লাওথোক্লে।



সব জুনিয়র বোইজগী খনগৎল্লবা শান্নরোইশিং অদুদি - কেজি ৫৩ দা পি বি বি পি টি সিগী মাইবম ইবোমচা মৈতৈ চহি ১৭,স্লোপলেন্দ জিম ক্লবগী পাদমকুমার ইরোম চহি ১৬ নি।

কেজি ৫৯দা ৱাই দি সি কে কান্টোগী টিঐচ সদানন্দা চহি ১৭, স্লোপলেন্দ জিম ক্লবগী বিসাল নিংথৌজম চহি ১৬ নি।

কেজি ৬৬ দা য়াইফা শিন্দম নহারোল ক্লব খাবমগী টিঐচ লনচেনবা চহি ১৪,কেজি ৭৪ দা স্লোপলেন্দ জিম ক্লবগী টি জেষ্টিন চহি ১৫ অমদি কেজি ৮৩ দা পি বি বি পি টি সিগী টিঐচ চিংলেম্বা চহি ১৬ নি।

সব জুনিয়র গলসগী-কেজি ৪৩দা পি বি বি পি টি সিগী ইলাংবম ইনুংঙানবি চান্নু,কেজি ৫৭ দা য়াইফা শিন্দম নহারোল ক্লব খাবমগী টিঐচ বিদিয়ালক্ষমি,কেজি ৭২ দা পি বি বি পি টি সিগী ই জেসিকা অমদি কেজি ৮৪ দা পি বি বি পি টি সিগী ৱালিকানি।

নুপাগী মাষ্টর ১গী- কেজি ৭৪দা আর কে লোলিট,কেজি ৯৩ দা এম পি এস সিগী মনাও,কেজি ১০৫ দা এম পি এস সিগী থোইবা সিংহ,কেজি ৫৯ দা পি বি বি পি টি সিগী কিরনকুমার কাঙজম অমদি কেজি ৮৩ দা ইড়ুকেসন য়ুগী টি বাস্কোরনি।

নুপীগী মাষ্টর ১গী-কেজি ৪৭ দা পি বি বি পি টি সিগী দেবিকারানি,কেজি ৫৭ দা কানদেবীগী এন জি তোম্বি,কেজি ৬৩ দা য়ু এল এফ সিগী এম ইবেমচা,কেজি ৭২ দা পি বি বি পি টি সিগী এন মিরাইবাই,এন ইবেচাউবী অমদি কেজি ৮৪ দা টি দাসুমটিনি।

মাষ্টর ২গী-কেজি ৫২দা আর কে ইবেমনু,কেজি ৬৩ দা পি বি বি পি টি সিগী দব্লিউ ইবেমহল,কেজি ৭২ দা এম মাইপাকপি,কেজি ৮৪ দা এ ইবেমপিশক,এন ইবেলি অমদি কেজি ৮৪ মথক্কীদা পি বি বি টি সিগী ঐচ ইবেমপিসকনি।

মাষ্টর ৩গী-কেজি ৫৭দা পি বি বি পি টি সিগী টি ইবেমহল,এন তোম্বি,কেজি ৬৩ দা পি বি বি পি টি সিগী এন রাধামনি অমদি কেজি ৮৪ দা পি বি বি পি টি সিগী টি ঐচ কুঞ্জারানিনি।

টিম অসিগী ওফিসিয়েল ওইনা এন জি থোইবাশিংনা মেনেজর,ই ইনাওনা কোচ,এন সুশিলা দেবী অমদি কে রোজিদা দেবীনা কোচ ওইনা লুচিংলি।

টিম অসি মথং থাগী ১৪ ফাওবা কৈশামথোং এলাংবম লৈকাইদা লৈবা পি বি বি পি টি সিদা ট্রেনিং কোর্স চথগনি।

## অহানবা ইপুধৌ পুরৈরোম্বা কপ পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল,এপ্রিল ০৬ঃ

ইষ্ট্রন লাইওন ক্লব নোংদা অমদি ইষ্ট্রন য়ুনির্গ ক্লব কামেং খুনজাও অনীনা শিন্দুনা পাঙথোক্কানি তৌরম্বা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট লেভেল ৫০ কেজি কেটাগোরি মেন্স ওপন ৯ এ-সাইদ ফুটবোল টুন্মামেন্ট অদু করিগুম্বা খুদোংচাদবা খারা লৈবদগী লাকলিবা তাং ১৫ দগী ৭ এ-সাইদ মেন্স মণিপুর ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ওইনা পাঙথোক্লগনি হায়রি।

মরম অদুনা টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়ানিংবা ক্লব অমদি ওর্গনাইজেসনশিংনা কামেংদা লৈবা এসোসিয়েসন অসিগী ওফিসতগী অকুপ্পা মরোল খঙলাবা য়াগনি। লোয়ননা টুর্নামেন্ট অসিগী ফোম অমদি প্রাইজগী অহোঙবদি লৈরোই হায়রি।

## নিরমলতা জোইন সেক্রেটরি খলক্লে

ইম্ফাল,এপ্রিল ০৬ঃ

হৌখিবা মার্চগী ৩০ দা ন্যু দিল্লীদা পাঙথোকখিবা হোক্কি ইন্দিয়াগী ৬১ শুবা একজিক্যুতিব বোদকী মিটিংদা হৌজিক হৌজিক মণিপুর হোক্কিগী ভাইজ প্রসিদেন্টগী ফমসু পুরিবা পি ঐচ নিরমলতা দেবীবু হেক্কি ইন্দিয়াগী জোইন সেক্রেটরি ওইনা খল্লক্লে।

নিরমলতানা জোইন সেক্রেটরি ওইনা খলকপদা অমদি গায়নেনেদ্রা নিঙোম্বমবু ভাইস প্রসিদেন্ট ওইনা খলকপদা মণিপুর হোক্কিগী প্রদিসদেন্ট বাসুদেব সিংহনা নুংঙাইবা ফোঙদোকরক্লি।

## যাদবচন্দ্রা হাওবম খল্লক্লে



ইম্ফাল,এপ্রিল ০৬ঃ

ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসননা শিন্দুনা গৱালেরোগী এল এন আই পি ইদা লাক্লিবা মেগী তাং ১৭ দগী ১৮ ফাওবা পাঙথোকদৌরিবা হেদ ওফ দি রেফ্রি এড়ুকেস্নেল প্রোগামদা শরুক য়ানবা ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসনগী হেদ ওফ দি রেফ্রি ওইরিবা যাদবচন্দ্রা হাওবম খলক্লে।

পনবা য়াই মদুদি যাদবচন্দ্রা হাওবম অসি অম্ফাগী হেদ ওফ দি রেফ্রি ওইবদা নত্তনা এ আই এফ এফকী রেফ্রি ইন্সট্রক্তরসু ওইরিবনি।

## ফাইনেল মেটচ শান্নরগনি

ইম্ফাল,এপ্রিল ০৬ঃ

ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদামমাঙ থাগী ১৩ দগী হোম এন্দ এৱে বেসিক্তা টিম ৭না শরুক য়াদুনা চথরকপা ২৩ শুবা থাংজম বিরচন্দ্রা মাইপাকপি মেমোরিয়েল ৱিন্নর্স কপ ফোর মেন ২০১৯গী ফাইনেল মেটচ থা অসিগী ৮গী নুংথিল পুং ১.৩০ তবদা খুমন লম্পাক মেন ষ্টেদিয়মদা জি এস সি চুড়চান্দপুর অমদি ৱাই য়ু এফ সি উখ্রুলগা শান্নরগনি

## গ্রাস রুর্ট লীদর খনখ্রে

ইম্ফাল,এপ্রিল ০৬ঃ

ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা টি আর য়ু জি পি য়ু নম্বোলনা শিন্দুনা থা অসিগী ৭ দা পাঙথোকদৌরিবা এ এম এফ এ গ্রাস রুর্ট কোর্সকীদমক গ্রাস রুর্ট লীদর অহুম খনখ্রে।

খনখ্রবা গ্রাস রুর্ট লীদরশিং অদুদি এন শিভান্দা,এস রোবিচন্দ্রা অমদি এন ধঞ্জয়নি। গ্রাস রুট লীদরশিং অসি টি আর য়ু জি পি য়ুগী সেক্রেটরিদা থা অসিগী ৭ গী অয়ুক পুং ৬ দা রিপোর্ট তৌগদবনি হায়না খঙহনলক্লি।

## ভোল্লিবোলগী নুপা অমদি নুপীমচাগী শান্নরোইশিংগী মীং লাওথোক্লে

ইম্ফাল,এপ্রিল ০৬ঃ

থা অসিগী ২১ দগী ২৬ ফাওবা মহারষ্ট্রাগীকোপরগাওন শিরদিদা পাঙথোকদৌরিবা ২৭ শুবা মিনি নেসনেল ভোল্লিবোল চেম্পিয়ন্সিপ ফোর বোইজ এন্দ গলসদা ষ্টেট অসিগী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়ানবা নুপামচা অমদি নুপীমচা শান্নরোইশিংগী মীং লাওথোক্লে।

খনলাবা নুপামচা শান্নরোইশিং অদুদি কে ৱাই এস য়ুগী- দব্লউ অমরজিৎ সিংহ,পি ঐচ রাকেস সিংহনি,টি আর ৱাই ভি সিগী-তোকরৈ এ এস,ফাঙলৈ কে এনি,এন ৱাই ভি এগী-এম দিংঙ্কু সিংহ,এন রাজিভ সিংহনি,এ এম ৱাই সিগী-দব্লিউ দিক্সন সিংহ,এস অবোয় সিংহনি,ৱাই এম দি ওগী-কে মুকেসদ সিংহনি,এস দি সিগী-কে অপাবি সিংহ অমদি আই জি ওগী-এম ভিভেকরাজ সিংহনি।

নুপামচাগী টিম ওফিসিয়েলশিংনা এল টিকেন সিংহনা কোর্চ অমদি টি ঐচ ব্রাজাকিশ্বোর সিংহনা মেনেজর ওইনা লুচিংলি।

নুপীমচাগী শান্নরোইশিং অদুনা টি আর ৱাই ভি সিগী-চোনরৈফি কাশুং,সোয়োফি কাশুং,জিঙরালা জাজো,রিংশিটৱোন চাহোঙনাও,মেলোদি কিমবোইসি ভৈফে,আর এল হন্না অমদি কে মানিং কিলানি,এন ৱাই ভি এগী-এন বারিন্দা দেবী অমদি ও রিয়া দেবীনি, ৱাই এম দি ওগী-টি ঐচ গিরিজা দেবী অমদি ঐচ রিনাশি দেবীনি,আই কে কে ৱাই ভি সিগী-থাঙমিলা হুঙয়োনি।

টিম অসিগী ওফিদিসয়েলদনা ৱাই বাবুমচানা কোচ অমদি জাজো দোরাসিংহনা মেনেজরনি। লোয়ননা টিমশিং অসি থা অসিগী ১৬ গীঅয়ুক পুং ৮ দা ইম্ফাল থাদোকনি হায়রি।

## মেটচ য়ৈথোক্লে

ইম্ফাল,এপ্রিল ০৬ঃ

য়ুনাইটেদ ভেটরান ফুটবোল এসোসিয়েসননা শিন্দুনা মপাল কাংজৈবুংদা চথরিবা ৩শুবা সঙাই ট্রোফি ভেটরান ফুটবোল চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৯গী তাং ৭ দা শান্নগদবা মেটচ অদু জেনরেল ইট্রাইক লৈবদগী য়ৈথোক্লে অমদি টুর্নামেন্ট অসিগী লেমহৌবা মেটচতশিং ফিচরগী অহোঙবা লৈত্তনা শান্নগনি।


APOLLO TUTORIAL CENTRE
Admission Open For
FOUNDATION COURSE - XII Sc. (COHSEM & CBSE)
CLASS XII- ENGLISH TUTION ( COHSEM) MORNING ( SUN & HOLIDAY)
Facilities
Hostel Seats For Boys & Girls
No Admission Fee
Free Text Book Sets
MOCK Test Series
Special Concession
Govt. School Students
Hostelers (Apollo)
LAST DATE OF ADMISSION 22ND APRIL 2019
Form Issue: 03/04/2019
Class Starts: 22/04/2019
Class Timing: 4:30pm-7:40pm
For details please contact : Apollo office Kwakeithel Bazar Near AMUCO Office, Imphal - 795001



HURRY COME & JOIN
Simplicity for Life
HURRY COME & JOIN
START NEW BUSINESS
Call for Registration
Idea Dream Project for Everyone
Be Your Own Boss
Pre-Launch in Manipur
Plz. Call Anytime Meiteisana 8286623423


Owned and Published by Longjam Shyamananda Singh at Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor- Ningombam Hemantakumar, Joint Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, e-mail : sanaleibaknews@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com